## মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (য়ু দি এ) খাঙবোক্পা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দা ইম্ফাল, মোইরাং, খাঙবোক অমসুং ককচীং সেন্টরদা পাঙথোকখিবা তরামাপনশুবা টেট লেভেল কম্পিটিসন ফোর ক্লাসেস থ্রী টু টেন ফোর সাইন্স মেথমেটিক্সকী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লমযানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রেহায়রি।

পূন্না মহৈরোয় ১৯২না শরুক য়াখিবা অদুদা অথোই অহেন তারক্লবশিংদা মথং মনাও নাইনা ক্লাস অমসুং সবজেক্টকী ওইনা সার্টিফিকেট অমসুং খুদোল পোৎশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এন রাজমোহয়া চীফ গেষ্ট, প্রোফেসর আর কে লেনিন রিমসনা প্রসিদেন্ট অমসুং নেরোকা ফুটবোল ক্লবগী প্রসিদেন্ট অমদি অরুন ইন টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর টি ঐচ অরুন অমসুং ডা. এল ইবুংঙোহল রিটায়ার্দ এসোসিএট প্রোফেসর মোর্দন কোলেজনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## সার্ভিস মতম খরা লেপ্পীখো : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্টস ত্রান্সপোর্টর এসোসিএসন্না হৌজিক হৌজিক লিটুল ফ্লৱার স্কুলগী অঙাংশিং পুরিবা এসোসিএসন অসিগী মখাদা লৈরিবা য়ুনিয়ন অমনা থেংনরিবা স্কুল মতম হোংদোক হোংজিন্দা য়ানদবা থোরক্লিবা অসিগা মরী লৈননা স্কুলগী ওথোরিটিগা উনদুনা ৱারী শানরে। অদুমকপু য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রে। মরম অদুনা স্কুল অসিদা অঙাং থিনবগী থবক তৌরিবা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা নোংমা নিনিদং অঙাং থিনবা লেপ্পীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

অঙাং থিন্দোক থিঞ্জিন্দা অৱাবা মায়োক্নরিবা অহল লমনশিংনসু মেম্বরশিংনা থেংনরিবা অৱাবদা শরুক য়াবিয়ু হায়না ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্টস ত্রান্সপোর্টর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি জিমি তোংব্রম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব ফৌশুপাৎ লৈকায় ককচীংনা শীন্দুনা অঙাংশিংগী পর্সনেলিটি দিভলপ তৌনবগী পান্দমদা থা ২/২ খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা থৌরমগী অনীরকশুবা ওইনা সেকেন্দ চিলদ্রেন্স পর্সনেলিটি দিভলপমেন্ট ফঙ্কসন ২০১৯ থা অসিগী ২৪দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা শরুক য়ানীংবশিংনা ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লবনা কোনবা লৈকায় অসিগী ক্লাস ৱান্দগী ফোর ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিংনা থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা অঙাংশিংগী মীং পীখৎলক্লবা ৱাফমসু ক্লব অসিগী সেক্রেটরি এন রাজুনা ফোঙদোরক্লি।

## সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : রেদ সিল্ড দিভিজনগী সেনাপতি বৃগেটকী মীৎয়েং মখাদা জ্বালামুখি বট্টালিয়ন্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মুনলুই ভিলেজদা সোলর লেম্প ৩৪ থা অসিগী ১৫দা য়েন্থোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

তেংনৌপল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা দিজাষ্টরশিংদগী ঙাকথোকপদা খুনগী লুচিংবশিং, মীহুৎশিং অমদি লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংগী থৌদাং চাউই হায়না রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মণিপুরগী দেপ্যুটি কন্ত্রোল্লর মহম্মদ অয়ুবখাননা ফোঙদোকখ্রে।

রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজ-মেন্টকী শেন্থং মখাদা সিভিল অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অনীনা পূন্না শিন্দুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ঙরাং তেংনৌপল পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা তুইনোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

উমং ৱামং কোকথোকপনা মালেমদা পীবা চৈথেং অমসুং লম্বী নিংখাইবগী মতাংদা ভিলেজ চীফ, হেদমেন, মহৈ মশীন হৈরবা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা পীবা ত্রেনিং অদুদা ভিলেজ চীফ টি ঐচ গুইতেনা চীফ গেষ্ট ওইখি অমদি ঐচ কোটলাম্ফাইগী চীফ থোনফেম হাওকিপ, টুইনোং ভিলেজকী চীফ থোংপৌজৌ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টেকী ষ্টাফ সী ঐচ বিহারি অমসুং মোলনোয়গী ফোরেষ্ট বিট ওফিসর মোইরাংথেম ইনাওচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্তগী ১০৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্স (এম সী আই সী) না শীন্দুনা ওবজার্ভেসন ওফ দি ১০৮ বর্থ এনিভর্সরি ওফ লেট মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্ত সিংহগী থৌরম ঙসি পেলেস গেটতা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অরিবম ব্রজকুমার প্রসিদেন্ট এম সী আই সী, থোইদিংজম তোম্বী ললিট কলা একাদেমি এৱার্দি অমসুং প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা থোইদিংজম তোম্বীনা হায়খি, এম কে প্রিয়োবর্ত্ত শক্লোন য়াম্বা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লম্বা মীওই অমনি। লাই য়েকপা হায়বা অসিদা খুদিংমক ফোঙদোত্তুনা য়েক্লম্বা হৈথোই শিংথোইবা লাই য়েকপা অমসু ওইখি। মহাক্না য়েক্লম্বা লাইশিংদা ফোঙদোক্লিংবা কয়া অদু অয়েংবশিংদা মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্মু ওইখি।

সনা কোনুংদা পোকচবা অমা ওইবনা চৎন-লোনচৎসু ফজনা য়াওজবা মীওই ওইখি। অৱাংগা লৈতনা অৱাবা রাখল য়াওদনা লাই য়েক্লকপা আর্টিষ্ট অমনি। হৈকোল লৈকোলগী ফজবা কয়া অদু য়েক্লম্বা কয়াসু লৈরি। অদুবু এম কে প্রিয়োবর্ত্তগী খুদোল হায়বা তারবদি নোংজু নুংশাগী মরমদা মপানগী ওইবা শক্লোন কয়া য়েক্লম্বা অহানবা মীওইনি। নুংঙাইবা ৱাখল্লোন্দা য়েক্লম্বদগী অৱাবা রোমদা পুরগা লাই য়েকখিবা মীওই অমসু ওইখি।

ৱাইথৌদা শগোল তোলেগা চৎন্না য়েলবা মতুংদা ৱাইথৌদগী ইম্ফাল তাম্না ঙা য়োনবা লাকপা অসিদা মচা অনী য়াওবা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা কয়া অদুবুসু য়েক্লম্মী হায়খি।

শক্লোন য়াম্বা মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্ত সিংহ হায়বসিদা এম য়ুগী প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রোনা চে পাথোকখি। এম কে প্রিয়োবর্ত্তগী শক্লোন য়াম্মী। শোক্লবা হীরমশিংদা মমূৎ তানা চঙখোম্মা থবক কয়া তৌরম্মী। লমদম অসিগী নাট অমসুং চৎনরোল কয়াগী হৌরকফম অমদি তুংনফম ওইরিবা সনা কোনুংদা পোক্লকা শাংলকখিবা নিংথৌ মচাগী মতিক ময়াই অদুসু শাগোয়খি।

তোপ তোঙ্গা শত্তম অমনা এষ্টেটিক অমসুং ইথৌকেল ওইবা মতিক মচাই অনী অসিবু তৎন-থানদনা শাগোয়খিবা অসি সিফাই অমা ওইবগী, সৌবাক্কী লৈঙাক পুৱা, শক্লইবা লাইয়েকপা, এদ্যুকেসনিষ্ট, সোসল এক্টিভিষ্ট, এনভাইরোন-মেন্টেলিষ্ট অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্টনচিংবগী শক্লোন পুবা মীশকনি। সিফাই অমা ওইনা মীয়াম্না কেপ্তেন পি বি হায়নসু শকখঙনখি। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা অসাম রেজিমেন্টতা কেপ্তেন ওইনা থৌ পুরম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

## হেমন্তবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দ ২০১৭ ফংলক্লবা শৌগ্রাকপম হেমন্তবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি য়াইস্কুল য়ূম্নাম লৈকায়দা লৈবা মণিপুর দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী এদভাইজর অমদি নেসনল এৱার্দিনা চীফ গেষ্ট অমদি কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট অয়াম্বা মৈরাবা খুমন্না প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখি হায়না এম দি সীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি শগোলশেম রোবিন্দ্রো মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : কাঞ্চিপুরগী কেথলিক স্কুলগী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফনা সোসাইটি অমসুং থৌদাং লৈবা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি লৈঙাক্তা সন্দাইনা অমা পুরক্তুনা স্কুল অসি ঈং-তপ্না চল্লাইহন্নবা আপিল তৌরক্লি।

ঙসিদগী হৌদুনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংসু পেরেন্ট অমদি গার্জিয়ানশিংনা থাবীরকউ হায়না কেথলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিংনা ফোঙদোরক্লি। মরী লৈনবশিংনা স্কুল অসিগী একাদেমিক এটমোসফেয়রদা অকায়বা পীবিদনবা অমদি দিষ্টর্ভেন্স ফ্রী ওইহনবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

# ভীৱোন থোকচোম্বু কন্দিসন অমত্তা থমদনা থাদোকপীয়ু : মুসু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দেল্লিগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট ভীৱোন থোকচোমবু থা অসিগী ১৫দা সাউথ দেল্লিগী সকেটতা লৈবা অশানবা য়ূমদগী দেল্লি পুলিস অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা ফাখিবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

মুসুগী প্রসিদেন্ট কৈশাম লেবানন, জেনরেল সেক্রেটরি চোংথাম বিরজিৎ, ফাইনান্স সেক্রেটরি কেনেজিয়া নিংথৌজম অমসুং স্পোর্টস সেক্রেটরি সনাবম থোইথোইবনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ভীৱোন থোকচোম্বু এরেষ্ট ৱারেন্ট য়াওদনা মহাক্কী অশানবা য়ূমদগী ফাখিবনি। মহাক্না লৈমিন্নরিবা মীওই অদুগী মমাঙদা ফিজিকেল এসোল্ট তৌবগা লোয়ননা ফাখিবা অসি পুলিসকী কা হেনবা লিচৎনি হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

সী এ বিগী মায়োক্তা সোসল মিদিয়াদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা ৱারোল কয়া থাগৎলুবগী-দমক মহাকপু ফাখিবনি হায়রি। তৌইগুম্বসুং ভীৱোন থোকচোমনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলশিং অদু মহাক্কী মরৈবাক নুংশিবদগীনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ভীৱোন থোকচোম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা থাদোকপীনবা তকশিল্লকপগা লোয়ননা মুসুনা সী এ বি প্রোটেষ্টরশিং মণিপুরদা ফাখিবা অদুবুসু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা থৌওং অসি খুদত্তংগী লেপকদবনি। নৎত্রবদি মুসুনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়রি।

# লৈঙাক্না টবাংলোং ভিলেজ য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী টবাংলোং ভিলেজগী ফীভম ফগাৎহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ত্রান্সপোর্ট কম্মিস্নরনা মীৎয়েং চঙবীনবা য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফহ্যুমেন রাইটস (ৱাই এফপি ঐচআর) না মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

ৱাই এফ পি ঐচ আরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজতোন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফোরম অসিনা থা অসিগী ১১দা টবাংলোং ভিলেজদা ফেক্ট ফাইন্দিং ভিজিট অমা চৎলুবা মতমদা টবাংলোং ভিলেজ অসি য়ূমথংননা লৈরিবা চীংদাই অমসুং সেম্পাংনচিংবা ভিলেজশিংগা য়েংনবদা য়াম্না হন্থবা ফীভমদা খুঞ্জাশিংনা লৈরম্বা থেংনরকখি। টবাংলোং ভিলেজদগী তমেংলোং ফাওবা চৎনবগী লম্বী অসিসু য়াম্না ফীভম ফত্তনা লৈরম্বগা লোয়ননা চুম্নগী গাড়ী অমনা খুল অসি তম্না চঙবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরম্মী। ফোরমগী টিম অদুনা ম্যেন রোদতগী খুল অসি য়ৌনা চৎপদা চীংগী অঙম্বা লম্বী ওইবনা পুং অমা হেন্না চঙখি। টবাংলোং ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন মোসেসনা ফোঙদোরকপদা ত্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাবশিং মপূং ফানা ফংদবনা খুঙ্গং অসিদগী থোকপা লৌউ-শিংউগী পোৎলমশিং কৈথেলদা পুদুনা য়োনবা ঙমদে, পৎ পুমদুনা মাঙখি। তমেংলোং হেদ ক্বার্টর য়ৌনবা গাড়ী অমা ৱাইবদা লুপা লিশীং ৩দগী ৫ ফাওবা লৌরি অমদি ওটোরিক্সোনা লুপা ৬০০ ফাওবগী অৱাইমল লৌরি। অদুবু লম্বেল অসিগী অশাংবদি কিলোমিটর ২০মুক্তনি হায়রি।

# এল দি এফ : লিলোং এ সীগী মনুংদা চেল্লিবা তুরেল তোর্ব্বানশিং নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈদা শেমজিনবীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা তুরেলশিংগী তোর্ব্বানগী ফীভম অসি য়াম্না ফত্তবনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাও থোকপা খুদিংগী মফম অমা নৎত্রগা অনীদা তোর্ব্বান কায়বা, মফম অয়াম্বদা ঈফুৎ লাকপা অমদি মফম খরদনা ঈশিং পাথদুনা চেনশিনবদগী মীয়াম্না মতম কয়াগী মমাঙদগী অৱাবা মায়োক্ন রক্লিবা অসি নোংজু থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা গভর্ণমেন্টনা শেমজিনবীয়ু হায়না লিলোং দিভলপমেন্ট ফোরমনা ফোঙদোরক্লি।

লিলোং দিভলপমেন্ট ফোরমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাজা থোংখোংময়ূম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, লিলোং এ সীগী মফম অয়াম্বা তুরেলনা কোয়শিল্লগা লৈরিবনি অমসুং এ সী অসিদা লৈরিবা তোর্ব্বানগী শরুক অসি কিলোমিটর ৪০ রোমনি হায়রি।

ইম্ফাল তুরেলগী শরুক্তা কিলোমিটর ১৮, তুরেল অহনবীগী শরুক্তা কিলোমিটর ১১ রোম অমদি ঈরিল তুরেলগী শরুক্তা কিলোমিটর ৩ লোম লোয়ননা থৌবাল তুরেলগী শরুক্তা কিলোমিটর ৮ লোমনি। হায়রিবা তোর্ব্বানশিং অসিগী শরুকশিং অসি অয়াম্বনা অফবা ইয়াও য়াওদ্রে। মমাঙদসু ঈশিং ঈচাওগী চৈথেং হঞ্জিন হঞ্জিন নংখিবনা হৌজিক ওইরিবা তোর্ব্বানগী ফীভম অসিদা মীয়ামগী ৱাখলদা নোংজু থা লাক্কনি হায়বগী অকিবা লৈরে হায়রি।

নোং চুরক্ত্রিঙৈদা ফীভম ফৎত্রবা তোর্ব্বান শেমহৌদ্রগা ঈশিং ঈমাই পারবা মতমদা পোৎলম খরা তোর্ব্বানদা থেন্দুনা থল্লগা ঈচাও কনবা ঙম্লোই হায়বসি মীওইবগী মীনুংশিদা য়ূম্ফম ওইদুনা থবক তৌই হায়রিবা গভর্ণমেন টঅসিনা খঙজিনবীয়ু হায়রি।

মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি ঈশিং ঈচাও থোকহন্দবা ঙমগনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবদগী ঈশিং ঈচাও থোকহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন থুম ঙাক শেল্লি হায়বদু ফাগীনি হায়না লৌবদা অরানবা ওইরোই হায়রি।

তোর্ব্বান কায়রবা মতুংদা থবক ফবা শাবা থৌদৌ অদু হৌজিক পাল্লিবা এন বিরেন্না লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনদি তৌবীগনু হায়রি।

তুরেলনা কোয়শিন্দুনা লৈরিবা লিলোং এ সীগী মীয়ামগী পুন্সিদা তোর্ব্বান্না লাইবক লেপ্লি। তোর্ব্বানগী ফীভম ফৎত্রবদি অচৌ অচৌবা প্রোজেক্ট, স্কুল, কোলেজ, ওফিস, অফবা নৎত্রগা অচুম্বা হোস্পিটাল অমদি অতৈ অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ময়াম অমা শেমগৎলুবগী ৱাহন্থোক লৈরোই। তোর্ব্বান কায়বনা অমুক হন্না শেমগৎপা ঙম্লোইদবা মওংদা মাঙ তাকহল্লি। মীয়াম্থুলায়র তালহল্লি হায়রি।

মফম মতম চানা থবক তৌদ্রবদি নেচরনা মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্টতা পাড়া তম্বীরক্কনি। মমাঙদা অসুম্না পাড়া তম্বীখিবসু লৈরে। অদুমকপু পূম্নমক অসিদা ৱারিবনা মীয়ামনি হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লিলোং মিসনগী কান্নবসু লৈরোই। বিরেন্না লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিসু হৌখিবা চহী অনীদা তোর্ব্বান কায়বগী এক্সপরিএন্স ফজনা লৈবিরম্লগনি। তোর্ব্বান কায়বনা মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্টতা কয়াম য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়বদুসু খঙবিরম্লগনি। মরম অসিনা চহী অসিগী ঈচাও লাক্ত্রিঙৈদা ফীভম শোক্লবা লিলোং এ সীগী তোর্ব্বান অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিনবীয়ু। মসিনা গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি হায়রি।

কুমজা ২০০২গী ওগষ্ট ১৩গী নুমিদাংদা লিলোং এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফম মরিদা তোর্ব্বান কায়দুনা মীয়াম অৱাবা তাখিবগী চৈথেং কোকত্রিঙৈদা কুমজা ২০১৭তসু তোর্ব্বান কায়দুনা অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপা ৱাগদবা মওংদা লুপা ক্রোর কয়াগী লন-থুম মাঙ তাকখি। মীওই লিশীং কয়া থা ৩ রোম রিলিফ কেম্পশিংদা লৈনখিবনি হায়রি।

লিলোং এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমগী তুরেল তোর্ব্বান কয়া কায়বদগী অৱা অনা মায়োক্নখিবশিং অদুগা মরী লৈননা লৈঙাক্না নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈদা য়েংশিনবীদুনা ফীভম শোক্লবা তোর্ব্বানশিং অসি শেমজিনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কে ভি আই সী, হনি মিসনগী মখাদা খোই উপুশিং য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : কে ভি আই সী ইম্ফাল হনি মিসন এন্দ দি বি টি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ন্যু দেল্লিনা স্পোন্সর তৌদুনা করিয়র ওরিয়েন্টেদ কোর্স ওন বী কিপিং জি পি ৱিমেন্স কোলেজ ইম্ফাল অন্দর য়ুনিভর্সিটি গ্রান্দ কম্মিসন ন্যু দেল্লি অমসুং আই বি টি হব প্রসিদেন্সি কোলেজ মোটবুংনা পূন্না শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চূপ্না চথরকপা ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম ওন মোর্দন বী কিপ্পিং ঙসি লুৱাংশঙবমদা লৈবা টোনি হনি সেন্টরদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা বিনিফিসিয়রিশিংদা খোই উপুশিং য়েন্থোকখ্রে।

ত্রেনিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা খোই উপু য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা কে ভি আই সী মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ইন চার্জ অসুলি সালেপাও, করিয়র ওন্টেদ কোর্স ওন বী কিপ্পিং জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এন নন্দো এসোসিএট প্রোফেসর অমসুং অহৈবম তারাকিশ্বর বী কিপ্পিং এক্সপার্টচিংবনা শরুক য়াখি।

মোর্দন বী কিপ্পিংগী মরমদা বী কিপ্পিং এক্সপার্টশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বী কিপ্পরশিংগা এক্সপার্টশিংগী মরক্তা ৱাহং পাউহংসু তৌনখি। থৌরম অদুগী অরোইবদা ত্রেনিশিংদা খোই উপু য়েন্থোকখি।

# এমসুনা ক্লাস টেন-টুয়েল্ভ এগজাম থাগদবশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএন এস) : মণিপুর খুন্নাইগী তুংগী লাইবক লেপকদবা মহৈরোয়শিংগী য়াম্না মরু ওইবা চাংয়েং এগজামিনেসন অসি থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয় পূম্নমক্কী মফমদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না মহৈরোয় পূম্নমকপু পূক্নিং থৌগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এমসু হেদ ক্বার্টরগী জোইন্ট সেক্রেটরি য়ূমখাইবম বিজান্দোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসি মহৈ মশীন তমখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী তুংগী লাইবক লেপকদবা য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইবনা মহৈরোয়শিংনা পূক্নিং লৈতানা এগজামিনেসন অনী অসিবু মায়োক্নবীনবা এমসুনা মহৈরোয়-শিংদা পাউজেল্লক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসি ঈংনা চিক্না অশোয় অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপীবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিগদবা এগজাম সেন্টরশিংগী ও সী অমদি ইনভিজিলেটরশিংনা চেকশিন্না য়েংশিনবীনবসু এমসুনা আপিল তৌরক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংগী চাংয়েং অসিদা চাউনা মায় পাকপা ওইরসনু অমসুং মণিপুর খুন্নাইগী তুংগী য়াইফবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরকউ হায়না পাউজেল পীরক্লি।

# মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সিলভর জুবিলি লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সিলভর জুবিলি লোইশিনবগী থৌরম য়ৈথোক্লবা অদু থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ১২.১০ তাবদা ইবুধৌ য়াঙ্গোই নিংথৌ কম্যুনিতি হোল বিষ্ণুপুর কৈথেলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সিলভর জুবিলি সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর সাহিত্য পরিষদ মণিপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী কনভেনর জুগিন্দ্রো মুতুৱানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসিদা তরুকশুবা সলাম ইবোমচা-লসমি নীংশিং সাহিত্য মনা ২০১৯ থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দা লৈবা ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম্না ইবা শৈরেং লাইরিক *ঈখৌদা* পীরগনি। মনা অসিদা সাইটেসন, মমেন্তো, সোল অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০সু য়াওনা লান্থোক্কনি।

নুমিৎ অসিদা পরিষদ অসিগী ২০শুবা মশীংগী জর্নেল *ঈশিং চাইবী*, নিংথেমজাও সোইবামগী শৈরেং লাইরিক *ময়াই কারবা মীওইবা* অমসুং হেম্বা লমাংদোংগী ফিল্ম ৱারী লাইরিক *চীংখৈহুল্লকপসু* ফোঙগনি লোয়ননা হান্নগী সেক্রেটরিশিং, ঈশিং চাইবীগী এদিটরশিং অমসুং শক্লাইরবা অহলশিংদসু ইকায়খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

থৌরম অসিদা এম এল এ রাধাকিশ্বর, চ্যেরমেন মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ অমসুং খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, খাঙেম্বম ইবেতোন পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্টনা থৌরম মপু, প্রিয়োবর্ত্ত এলাংবম সেক্রেটরি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল, হুইরেন সনায়াইমা চ্যেরমেন সিলভর জুবিলি সেলেব্রেসন কম্মিটি অমদি সলাম জিবন সোসল ৱার্করনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি হায়রি।

# এ আরনা ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা ফাইচুংবুং ভিলেজদা ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট অমা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ফাইচুংবুং ভিলেজ অসি কুমজা ১৯৮২দা শেমখিবদগী অফবা থক্নবা ঈশিং ফংবা ঙমদবদগী খুঞ্জাশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক্তা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর মনুংদা রুটিন পেত্রোলিং দ্যুটি, অসাম রাইফলসনা ভিলেজ অসিদা ৱাটর সপ্লাইগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বদু খঙবদগী টেক্নিকেল সর্ভে তৌরবা মতুংদা ফুট ৮৬০দা ইঞ্চি ২.৫গী দাইমেটর ওইবা জি আই পাইপশিং ফংহনখিবনি। প্রোজেক্ট অসি শাবগী থবকশিং অসাম রাইফলস অমসুং ভিলেজ ওথোরিটিনা হকথেংননা য়েংশিনখি। প্রোজেক্ট অসি ঙসি খুল অসিগী মীয়ামদা কৎথোক্লে হায়না লাউথোকখি।

প্রপোজেল কয়া থাগৎলকপগী মনুংদা প্রোজেক্ট অসি মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খুল অসিগী চীফ টি হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা অসাম রাইফলস অসি মীয়ামগী অহানবা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফংহনবা হায়বদু ওইরে। প্রোজেক্ট অসি থা ২ চঙনা থবক শূরবা মতুংদা ঙসি হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা নুপা, নুপী অমসুং অঙাং কয়া য়াওনা পূন্না খুঞ্জা ৭৮না শরুক য়াখি। প্রোজেক্ট অসিনা মথং চহী ১৫গী মনুংদা খুল অসিগী মীপূম খুদিংমক্তা অফবা থক্নবা ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি হায়রি।

# জিরিবামগী এম এল এনা বেনিফিসরিশিংদা সী আই সীটশিং য়েন্থোকখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএন এস) : জিরিবাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ অসবউদ্দিননা ঙসি এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট স্কিম, মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়রস এস সী অমদি এস টিগী মখাদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা বেনিফিসরিশিংদা সী আই সীটশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

বেনিফিসরিশিংদা সী আই সীটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদু এম এল এ অসবউদ্দিনগী জিরিবামগী সোনাপু-রদা লৈবা ময়ূমদা পাঙথোকখিবনি। জি আই সীদ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বুংতা মাইবম এস দি ও বোরোবেক্রা সব দিভিজন, আর কে বিজয়স্না সোসল ৱার্কর, হায়দর আলি ফোর্মর উপ প্রধান সোনাপুর জি পিসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা এম এল এ অসবউদ্দিন্না হায়খি, ঙসি এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা বেনিফিসরি ১২৫ লোমদা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়রস এস সীগী মখাদা বেনিফিসরি ১৫ অমসুং এস টি বেনিফিসরিশিংনা ফংদে হায়বগী নুংঙাইতবা তৌবীগনু। মথং মনাও নাইনা পীরক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসি য়েন্থোকখিবা সী আই সীট অসি ফজনা শীজিন্নবীয়ু। কনাগুম্বা বেনিফিসরিশিংনা য়োন্থোক্লম্বা য়াওরবদি মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌগনি অমদি নুমিদাংগী মতমদসু ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমবু হন্থনা য়েংবদু তৌবিগনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# জিরিবামদা শা-ষণ শিরিবসি ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈরিবা শা-ষণ কয়া মখোঙদা তীল চঙবা অমদি মচিন-মরৈ নাদুনা শজিক চাবা ঙমদ্রে অমসুং ষণ কয়া শিবসু য়াওরে হায়না বোরোবেক্রা সব দিভিজন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী চ্যেরমেন পি জিতেন্না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা নুমিৎ ৭/৮নিগী মমাঙদা জিরিবাম-দগী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী ডোক্তরশিং লাক্লগা শা-ষণশিং অদু য়েংলম্লগা চৎখ্রে। মখা তানা লায়েংবিদবনা মরম ওইরগা শা-ষণ নাবা য়াওরকপনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# নোংখ্রং ইহনবা থৌরমগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচএনএস) : লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপ (এল এস টি কে), মসা লোইশঙ জিরিবাম, এল এস টি কে কছাড় ময়ায় লোইশঙ, সায়দা শান্তিপুর লিলোং অমসুং ইমা ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি লূপ লিলোংনা শীন্দুনা লিলোং ইরোং, জিরি পান্থোইবী হিদেন, কছাড় নুংফৌ ইরোংদা নোংখ্রং ইহনবগী থৌরম থা অসিগী ১৯দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কংলৈ খুন্নাই অসি কাং খোং চাইরে, মপূ পান্দ্রে। অঙাঙ অঙাঙবা চুম্নরে, অরুবনা মতাইদা চেল্লে, অনৈবনা ময়ায়দা চেল্লে, মীনাই নাইথাংদা মপু শারে, মীশি মীনা তোয়রে, লৈবাক অসিদা লৈহৈদ্রে, অরোইবা খুন্তাকপা হৌরে হায়রি।

য়েক সলাইশিংনা ঈনাৎ লাইনীংদগী চহী ৩০০ রোম কায়থরুরবা নাথৈরুবগী মহয়নি। মরম অদুনা কংলৈ লৈপাক খুন্নাইনা কাং খোং চাইরিবা থমাইখিবদগী অনম অহা চুরিবা, লিংজেল মান্নদ্রিবা, পূনশিনবা ঙমদ্রিবা, মপূম শাগৎপগী মহুৎ মচেৎ মশুং তাবগী চৎনবী হৈনবী অসি কোক্লবা, মীয়ামদা কামশিনখিবা হু অদু চমহনবা তাই হায়রি।

লূ-তোং, শীংলি নাওরি লাইফম কয়া থমাইখিবা হন্দোকসি। নামুংবা থবক তৌখিবশিং কোকথোক চামথোক্লসি । সরিনখিবা অদু সরিহনদুনা নোংখ্রং ইহনবা তাই। অরিবা মরূদগী অনৌবা ময়োল চোংহন্দুনা অমুক নৌহৌনহনবা তাই হায়রি।

কুমজা ১৯৭৪গী ফেব্রুৱারী ৬ ফাইরেনগী থানিলদা পুৱারীগী থৌদাং তুংইন্না লাইওইখ্রবা ইনিংথৌ পরৈহনবা (ওকেন্দ্রজিৎ) মশামক্না লুচিংদুনা নোংখ্রং ইহনবগী থৌরম পাঙথোকখি। কংলৈচাশিংবু থামাই-রম্বা কয়াদগী মথং মথং হন্দোকখিদুনা অনম অহা চুবা কোকপীবা হৌবিরমখি। অদুঙৈ ইপা ইপুশিংনা ইবুধৌ পাখংবগী মীংলেন ফংদুনা সনা নামুংনখিবা অদুবু ঙসি মচা মশু ওইবা কংলৈচা ঐখোয়না পুন্না সরিহনমিন্নবগী থৌরম থা অসিগী ১৯দা লিলোং ইরোং, জিরি পান্থোইবী হিদেন অমসুং কছার নুংফৌ ইরোংদা পুৱারীগী লিক্লম তুং ইন্না নোংখ্রং ইহনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিদা য়েক তরেৎকী কংলৈচাশিংনা শরুক য়ামিন্নসি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।